**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর ফায়র সর্ভিসতা মতমগা চুনরবা অনৌবা ফয়ার টেন্দর ১৮ ঙসিদগী মথৌ তৌবা হৌহনখ্রে।

২) কুমজা ১৮৯১ দা মণিপুর অমসুং বৃটিশকী মরক্তা শোকখিবা লানফমদা লৈখিদ্রবা মণিপুরগী অথৌবা ইপা ইপ্‌শিংগী মফমদা তর্পন কৎপগী থৌরম ঙসি খোংজোমদা পাঙথোকখ্রে।

৩) থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌগদৌরিবা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মবু মাইকৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোংদোকরক্লি।

৪) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা হয়েং নোং চুরবা য়াই।

অমসুং

৫) লৈবাক অসিগী উপ-রাষ্ট্রপতিগী মীখল হয়েং পাঙথোক্লগনি। মীখল অসিদা এন.দি.এগী সি.পি. রাধাকৃষ্ণন অমসুং ইন্দিয়া ব্লোক্কী বি. সুদরসন রেদ্দিনা লম্বা থেংনরগনি।

------

ফায়র (এল)ঃ রাজ্য অসিদা মৈহৌ লাংপোক অমসুং মহৌশানা থোকহল্লকপা খুদোংথিবা থৌদোকশিংদগী ঙাকথোকবা মণিপুর ফায়র সর্ভিসতা মতমগা চুনরবা খূৎলাই অমদি গাড়িশিং ঙসি খুৎশিন্নখ্রে।

মণিপুর ফায়র সর্ভিসেসকী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্দুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্লকপা মতমদা খুদক্তা মী কনবা অমসুং তেংবাংনবগীদমক অনৌবা মখলগী খূৎলাইশিং অসি হাপচিল্লকপনি।

মণিপুর ফায়র সর্ভিসনা শিন্দুনা ঙসি মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা শিজিন্নগদবা গারি অমসুং খূৎলাইশিং লমথাবগী থৌরম অমা ইম্ফালদা লৈবা দাইরেক্তরেট ওফ ফায়র সর্ভিসেসকী হেদক্বাতরসতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মী কনবগী পোৎলমশিং য়াওবা ফায়র তেন্দর, মিষ্ট টেকোলোজি য়াওবা মিনি ৱাতর তেন্দর, লৈনুং হুৎপগী খুদোংচাবা য়াওবা মিনি ৱাতর তেন্দরশিং লমথাখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্যগী হোমগী কম্মিসনার এন. অশোক কুমারনা হায়- ঙসি লমথারিবা ফয়ার টেন্দর ১৮ অসি মণিপুরগী জিলা খুদিংমক্তা মৈহৌ লাংপোক থোরকপা অমদি মহৌশাগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংদা মীয়ামগী মতেং পাংবদা শিজিন্নগনি। গাড়িশিং অসি ১৫ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী শেন্থুংগী মখাদা লৈবনি।

মণিপুর ফায়র সর্ভিস দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর এল.নবচন্দ্রনা হায়- ঙসি মণিপুরদা ইহান হান্না শিজিন্ননবগীদমক লোঞ্চ তৌখিবা মতমগা চুনরবা ফায়র ফাইতিং ইক্বিপমেন্ট ১৮ অসি ১৫ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মোর্দনাইজেসন এন্দ এক্সপান্সন স্কিমগী শেন্থুং মখাদা লৈবনি। মহাকা হায়-ফায়র ফাইতিং ইক্বিপমেন্টশিং অসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লৈবা ফায়র সর্ভিসকী ওফিসশিংদা থমগনি।

হৈ থা (এল)ঃ কুমজা ১৮৯১ দা মণিপুর অমসুং বৃটিশকী মরক্তা শোকখিবা লানফমদা লৈখিদ্রবা মণিপুরগী অথৌবা ইপা ইপুশিংগী মফমদা তর্পন কৎপগী

থৌরম ঙসি থৌবাল জিলাগী খোংজোমদা পাঙথোকখ্রে। খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হান্নগী মন্ত্রি মোইরাংথেম হেমন্তনা লুচিংদুনা মীয়ামা খোংজোম তুরেলদা হৈ লৈ কৎতুনা ইপা ইপুশিং অদুগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা শ্রী হেমন্তনা হায়- লানফম অদুদা মমা লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক বগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখিবা অথৌবা ইপা ইপুশিং অদুগী ৱাখল্লোন ঙসিগী লুচিংবশিংদা লৈহনবা তঙাইফদে।

ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) মণিপুরনসু ঙসি খোংজোম তুরেলদা অথৌবা ইপা ইপুশিংগী মফমদা লাংবন চরা তমদুনা লাংবন হৈশোই তম্বগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। ফোক্সকী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট বি.এম. য়াইমা সাহনা লুচিংদুনা খোংজোম তুরেলদা মীয়াম পুন্না লাংবন হৈশোই তমখি।

থৌরম অদুদা শ্রী সাহনা হায়- থৌনা ফরবা ইপা ইপুশিং অদুনা য়েকবা বৃটিশশিংগা লান্থেংনখিবা থৌনা অদু নৌহৌননা নিংশিংদুনা মখোয়গী মচা মশু ওইহৌরিবা ঐখোয়না ইরমদম ইবা লৈবাকপু কনবা ঙমনবগী ৱাখল্লোনদা লাংবন হৈশোই তম্বগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

স্বামি (এল)ঃ স্বামি শিবানন্দ চেরিতেবল ট্রষ্টনা শিন্দুনা ঙসি স্বামি শিবানন্দজি মহরাজগী চহি ১৩৮ শুবা নিংশিং কুমওন থৌরম ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোন্থৌজমদা লৈবা মহাত্মা সেবা আশ্রমদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা স্বামি শিবানন্দ চেরিতেবল ট্রষ্টকী দোনর অমদি ফাউন্দর ওইবগা লোয়ননা ট্রষ্টি মেম্বরসু ওইরিবা মৈস্নাম মিত্রেশ্বরনা হায়- মুনি রিসিশিংগী ৱাখল্লোন নৈনবা অমদি মসিবু থবক্তা ওন্থোকপগা লোয়ননা ইং তপ্পা অমসুং ধর্ম্ম লৈবা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি। মহাকা হায়- ইনখৎলক্লিবা তুংগী মীরোলশিংদা হায়রিবা ৱাখল্লোন অসি খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈ। ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱার্ল্ড পিছ একোরদিং টু স্বামি শিবানন্দ হায়বা হিরমদা কে.ঐচ. রন্ধির, ডাঃ এম. নোদিয়াচান্দ অমসুং স্বামি শিবাকৃপানন্দ স্বারাসতিনা ৱা ঙাংখি।

রিমস (এল)ঃ রিজনেল ইন্সটিটুয্ট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালদা ঙসি ৱার্ল্ড. ফিজিওথেরাপি ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। অহল ওইরবশিংবু মশা মড ফনা লৈহনবা হায়বা পালন থৌরম অসিগী কুমশি চহিগী হিরম অসিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিমস হোস্পিতালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসার এন. শঞ্জিব য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ফিজিওথেরাপি তৌবদগী নাবা ফগৎলক্লবা মীওইশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা পুকিং থৌগৎখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংদা ফিজিওথেরাপি অমসুং অহল ওইরক্লবা মতমদা হকচাং ফনা লৈনবগী মতাংদা ইবা চেরোলশিং য়েন্থোকখি।

জিএসটি (এল)ঃ ভারত্তা গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি.এস.টি) অসি কুমজা ২০১৭ কী জ্লাই ১ দগী চৎনবা হৌখি। মসিনা নীংতম্লবা ভারত্তা টেক্স খোমগৎপগী লমদা অনৌবা অওনবা খোঙথাং অমা পুরকপা ঙমখি।

কুমশি চহিগী নীংতম নুমিৎ পালন থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী সরকারনা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্ম পুরক্কুনা মীচম মীয়াম অমদি করবারৱালাশিংদা থোংগৎলম্বা অহেনবা পোৎলমশিং হন্থহল্লগনি হায়না লাউথোকখি। মদুগী মতুংদা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না সভানেত্রি ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৫৬ শুবা জি.এস.টি কাউন্সিলগী মীফমদা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্ম অসি অয়াবা পীখি। অনৌবা জি.এস.টিগী থৌশিল অসি থা অসিগী ২২ দগী লৈবাক শিনবা থুংবদা চৎনরগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্কী অনৌবা জি.এস.টি থৌশিল অসিবু মাইকৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোংদোকরক্লি।

নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রির্ফোম অসিগী মতাংদা রাজ্যগী ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স অমসুং মহুদকী দাইরেক্তর ওইরিবা ঙাঙোম উতমনা অসুমা ফোংদোক্লি।

তোম্বী (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি থা অসিগী ১৩ দা মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা খোঙচৎ অসি শিব সেনা মণিপুর প্রদেশনা তরামা ওকই হায়রি।

ইম্ফালদা লৈবা দলগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনা হায়- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা লাক্কদৌরিবা অসি ঐখোয় পুমমকা তরামা ওকফম থোকই। ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা মণিপুরদা লাক্কবগী মতাংদা সংসদকী মীফমদা ফাওবা কয়ারক হন্না পুথোক্কুনা খন্নখ্রে। অৱাবা কয়া খাঙদুনা লৈরিবা মণিপুরগী মীয়ামা প্রধান মন্ত্রিবু মণিপুরদা লাকপীনবা কয়ারক হন্না হায়জদুনা লাকখি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা অমসুং মতম শাংলবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা থবকশিং পায়খৎলমগনি হায়বা থাজে। রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবগী মহুৎতা প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিবু তরামা ওক্কুনা ঐখোয়গী অৱাবশিং অমসুং নুংনাংবশিং কোকহন্নবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না মীয়ামা তকশিনমিন্নশি হায়নসু শ্রী তোম্বীনা আপীল তৌরি।

ক্লব (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী লিলোংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্লব ৫৪ না পুনশিল্লগা শেম্বা লিলোং য়ুনাইতেদ ক্লবকী অহানবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি লিলোং হাওরৈবী কলেজগী হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হনা কামৈ, লিলোং হাওরৈবী কলেজগী প্রিন্সিপাল মুহামদ এ. সত্তার সাহ অমসুং থৌবালগী এদ্দিসনেল এস.পি. এন. শুরজ শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লাইহরিক ফবা মহৈরোইশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

হার (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা পৌরাবী য়াইফ নহারোল কাংলুপ অমসুং মোধু এন্দ সনাহনবী মেমোরিয়েল ট্রষ্ট পৌরাবীনা পুন্না শিন্দুনা হার য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি পৌরাবীদা পাঙথোকখ্রে। মফম

অদুগী লৌমীশিংদা সরকারনা লেপ্পা অতাবা মমলদা যুরিয়া হারশিং লৌমীশিংদা ফংহনখি। থৌরম অদুদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

হৈঙাং (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা হৈঙাং সি.দি ব্লোক্কী ব্লোক দিভলপমেন্ট ওফিসার (বি.দি.ও)গী ৱেব সাইট অমসুং ওফিস মেনেজমেন্ট এন্দ দিজিতেল সার্ভিসেসকী ৱেব এপ্লিকেসন ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখ্রে। ৱেব সাইট অদু রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়াতি রাজগী দাইরেক্তর কে.এস.ঐচ উমানন্দনা হৌনবী মতুংইন্না হৌদোকখি।

ঙসি হাংদোক্লিবা ৱেব সাইট অসিনা মীয়ামগা মরী লৈননা পায়খৎপা য়াইফ থৌরাংশিং হেন্না মীয়ামদা মরিক চুমা খঙহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। থৌরম অদুদা জিলা থাক্কী ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

মৈ (এল)ঃ অকামপাৎতা লৈবা আইদিয়েল গার্লস কলেজদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌরিবা মোরে, চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপীরোমদগী লাঞ্জেন্নরকখিবা মীওইশিংনা ঙসি পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট মৈ থাদুনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট য়ানিংদে, অরানবা রিপোর্ট ফোংলিবা পি.য়ু.সি.এলগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকদবনি অমসুং নাকল নাম্মতগী ওইবা অরানবা রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইবা পি.য়ু.সি.এলগী ইন্দিপেন্দেন্ট পিপলস ত্রাইবুনেল ওন দ ওনগোয়িং ইথনিক কনফপ্লিক্ট ইন মণিপ্র্ হায়বা রিপোর্ট অসি চৎনবা য়ারোই হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা হয়েং নোং চুরবা য়াই। সেন্তর অসিনা ঙসি

থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- হয়েং মণিপুরগী জিলা পুমমক্তা ময়াই ওইরপ্পা চাং য়ৌনা নোং চুরবা য়াই। জিলাশিং অসিগী মফম খরদদি অখাক অরাউ য়াওনা নোং কন্না চুগনি হায়রি। মথংগী নুমিত্তদি রাজ্য অসিগী জিলা ৬ তা নোং চুরবা য়াই। জিলাশিং অদুদি- তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল অমসং চান্দেলনি।

মীখল ঃ লৈবাক অসিগী উপ-রাষ্ট্রপতিগী মীখল হয়েং পাঙথোক্লগনি। মীখল অসিদা এন.দি.এগী মীরেপ ওইরিবা মহারাষ্ট্রগী রাজ্যপাল সি.পি. রাধাকৃষ্ণন অমসুং ইন্দিয়া ব্লোক্কী মীরেপ হান্নগী সুপ্রিম কোর্টকী জজ- বি. সুদরসন রেদ্দিনা লম্বা থেংনরগনি।

উপ-রাষ্ট্রপতি অসি সংসদকী সভা অনিমক্কী সদস্যশিং য়াওবা ইলেক্তোরেল কলেজ অমনা খনগদবনি। হৌজিক হৌজিক লোক সভাদা সদস্য ৫৪২ অমসুং রাজ্য সভাদা সদস্য ২৩৯ লৈরি। পুন্না ইলেক্তোরেট ৭৮১ লৈবগী মনুংদা ৩৯১ ফংবনা মেজোরিতি ওইগদৌরিবনি। হান্নগী উপ রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা চহি অসিগী জ্লাইদা ফম থাদোকখিবদগী অনৌবা উপ-রাষ্ট্রপতি অমা খন্ননবা থবক পায়খৎলকপনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা পঞ্জাবতা হয়েং চত্না মফম অদুগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম হকথেংননা য়েংশিনগদৌরি।

শ্রী মোদিনা মফম অদুদা ঈচাউগী ফিভম হন্না য়েংশিনবগী মীফম অমসু পাঙথোক্কনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা তারবশিংগীদমক রিলিফ পেকেজ ওইনা লুপা কোতি লিশিং ২০ পীবীনবা পঞ্জাব সরকারনা হান্নদগী হৌনা প্রধান মন্ত্রিদা তকশিন্দুনা লাকপনি।

মরক অসিদা, রেলৱেজগী রাজ্য মন্ত্রি রভনিত সিংহ বিত্তুনা হায়- পঞ্জাব সরকারনা ঈচাউগা মরী লৈননা মাং তাকখিবশিংগীদমক ক্ষেতিপুরন পীননবা থিজিনবগী থবক হৌখ্রে। অমরোমদা, কেন্দ্রগী মীহুৎ কাংবু অমনসু হৌজিক

ওইরিবা ঈচাউগী ফিভম অসি য়েংশিল্লি। পঞ্জাবকী চীফ সেক্রেতরিনা ঈচাউ অসিগা মরী লৈননা মাং তাকখিবশিংগী অকুপ্পা রিপোর্ট হেক পীখৎলকপগা কেন্দ্রনা তেবাং শেল পীননবা শেম শাদুনা লৈ হায়নসু মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

গোয়ল ঃ কেন্দ্রগী কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা হায়রি- লৈবাক অসিগী ওইবা পোত্থোকশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা হেন্না পুথোকপা ঙমনবা হোৎনগদবনি। মসিনা ভারতপু চাওখৎলকপদা মতেং পাংবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহনবদসু চাউনা কান্নবা পীগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা ৫৬ শুবা ই.ই.পি.সি ইন্দিয়া নেসনেল এৱার্দকী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী গোয়লনা হায়- মালেমগী ওইনা শিংনবা কয়া লাকপগী চাং হেনগৎলক্লবসু ভারতকী অপুনবা জাতিগী শক্তম অদু ঙাক্তুনা অদুমক লৈরি। প্রধান মন্ত্রিনা নীংতম নুমিৎ পালনদা ইরমদমগী পোত্থোকশিংদা হেন্না মীৎয়েং চংনবা ফোংদোকখিবা অদু নিংশিংলদুনা শ্রী গোয়লনা হায়- লৈবাক অসিগী মীওই বিল্লিয়ন ১.৪ লল্লোন ঈতিক তৌবদা ভারত্তা শাজবা পোত্থোকশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চংগদবনি।

জেকে ঃ খা থংবা কাশ্মীরগী কুলগাম জিলাদা লৈবা গুদার উমংদা চত্থখিবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী ওপরেসনদা তেরোরিষ্ট অমা শিরে, লান্মী জ়নিয়র কম্মিসন ওফিসার অমসু শোক্লে।

লান্মীগী মচিন চৎপা মীশক অমনা হায়- উমং অদুদা তেরোরিষ্টশিং লোৎতুনা লৈরে হায়বগী অককবা পাউশিং ফংবদগী লান্মী, সি.আর.পি.এফ অমসুং জম্মু কাশ্মীর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা মফম অদুদা ঙসি অয়ুক্তগী চংশিন্দুনা থিবা হুন্বগী থবক চত্থখি। সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অদুনা মফম অদুদা হেক য়ৌবগা লোৎতুনা লৈরম্বা তেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা তেরোরিষ্ট অদু লৈখিদবনি হায়রি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ দি.এস.এ চান্দেলনা শিন্দুনা পাঙথোকপা দি.সি. চান্দেল ত্রোফি ফার্ষ্ট দিভিজন ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জাফৌ ৱাই.সিনা চীংখু ৱাই.সি.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা চান্দেল খৃষ্টান ৱাই.সিনা লিৱা খুল্লেন ৱাই.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ অমসুং ৩ শুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ তা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী মীং লাউথোক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনেরেল সেক্রেতরিগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ওকপা ঃ রাজ্য ৮ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১ দগী ৫ ফাওবা গ্বালিয়রদা লৈবা অতল বিহারি বাজপায় ত্রেনিং সেন্তর ফোর দিসএবিলিতি স্পোর্টসতা পাঙথোকখিবা নুপা অমসুং নুপীগী ৯ শুবা নেসনেল হ্বিল চেয়ার বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা রন্নরসঅপ তারকখ্রবা মণিপুর টিমগী কেপ্তেন চাকপ্রম লোকেশ্বরিবু পেতিগ্রিউ জ্নিয়র হাইস্কুলনা তরামা ওকখ্রে।

স্পোর্টসঃ রাজ্য সরকারগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ককচিংনা শিন্দুনা চহি ১৪ মখা অমসুং চহি ১৭ মখাগী নুপা অমসুং নুপীগী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল স্কুল গেমস ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ১০ দগী হৌরগনি । দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ককচিংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- শরুক য়ানিংবা স্কুল অমদি মহৈরোইশিংনা দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ককচিংগী ওফিসতগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি।

------